**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 18-12-2025)**

**জেনিমস (এল)ঃ** মনিপুরগী রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা হায়রি-জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) পোরোম্পাৎ অসি ঙসিদি য়ামা মকোক থোংবা ইন্সটিট্যুট অমা অমসুং অফবা লায়েংশঙ অমা ওইরে।

জেনিমস হোস্পিতাল লিংখৎখিবগী চহি ১৮ শুবগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা থৌরমদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যপালনা হায়-তেল্লবা মতম অসিদা ইন্সটিট্যুট অসিনা পাঙথোক্লিবা থবকশিং অসি য়ামা থাগৎনিংঙইনি। মহাকা হায়-জেনিমসনা হেলথ কিয়ার প্রোফেসনেলশিং ত্রেন্নিং পীবতা নত্তনা মতমগা চুন্নরবা লায়েং চথুদুনা মনিপুরদা অনা লায়েংগী লমদা লৌরিবা থৌদাং অসি থোইদোকা শিংথানিংঙাইনি। মেদিকেল ইন্সটিট্যুসন অমনা অনা লায়েংবগী থবক চথুবা অমসুং ক্লাস রুমদা মহে তম্বা খক্তদগী হেন্দোক্তুনা রিছার্স তৌবা, ইনোভেসন অমসুং প্রিভেন্টিব হেলথ কিয়ারগী লমশিংদসু হেন্না পুকিং চংবগী তঙাইফদবা লৈ। জেনিমসনা জাতি অমসুং রাজ্য থাক্কী হকশেলগা মরী লৈনবা হীরমশিংদা শরুক য়াবগীদমকসু রাজ্যপালনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

থৌরম অদুদা রাজ্যগী কম্মিস্নার কম সেক্রেটরি (হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়ার) সুমন্ত সিংহ অমসুং জেনিমসকী দাইরেক্তর-প্রোফেসার-এল. উসারানি দেবী, ফেকলতি মেম্বরশিং, ডাক্তরশিং, নর্সশিং, স্তাফ অমদি মহৈরোইশিং শরুক য়াখি। ইন্সটিট্যুট অসিগী ১৮ শুবা এন্যুয়েল রিপোর্ট অমদি ইন্সটিট্যুট অসিগী মেগাজিন-নোংইন ফোংবা অমদি মনা-মথুম য়েন্থোকপনচিংবনা থৌরম অদুগী অখন্নবা শক্তম ওইখি।

**সনাজাউবা(এল)ঃ** কেন্দ্রগী য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস মন্ত্রি-ডা: মনশুখ ম দাভিয়ানা হায়রি-নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভরসিতি শাবগী থবক্তা অয়েৎ অপন কয়া থেংনবদগী লোয়শিনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া থেংনরি। অদুমওইনমক, য়ুনিভরসিতি অসিগী চাদা ৯৫ দি শেমগৎ শাগৎপা লোয়শিল্লক্লে।

রাজ্য সভাদা মনিপুরগী এম.পি. মহারাজ সনাজাউবা লৈশেম্বনা হংল্লকপা ৱাহং অমগী পাউখুমদা শ্রী মন্দাভিয়ানা হায়-হৌখিবা চহি অহুম অসিদা য়ুনিভরসিতি অসি শানবগীদমক লুপা কোতি ৪৫৭ লাখ ৯৬ কায়থোকখি। মনিপুরদা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম, নোং চুবা, ঈচাও থোকপা, চিং নিংখায়বা, ব্লোকেড অমসুং নেসনেল হায়ৱেশিংদা অথিংবা কয়া লৈবনা নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভরসিতি অসি শেমগৎ শাগৎপদা অপনবা ওইরি।

**কামজোং (এল)ঃ** মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেননা শিন্দুনা ঙসি কামজোং জিলাগী এস.দি.ও. ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা নুপীশিংনা থেংনরিবা সমস্যাশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা কম্মিসনগী চেয়ারপার্সন-টি.ঐচ. তিংনিংফম মোনশাং, কম্মিসনগী মেম্বরশিং-টি. চোংসিন কোইরেং, এস.কে. সোফিয়া অমসুং কামজোং জিলাগী এ.দি.এম-ঐচ.এল. জেন শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা নুপীশিংনা থেংনরিবা তোঙান তোঙানবা সমস্যাশিংগী মতাংদা ফোংদোকখি।

**থৌবাল (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা অন্দ্রোদা আইনগী ৱাংমদা হাংলম্বা লন্নাই ওইল পম্প অমা থিংজিনখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কঞ্জুমর এফিয়ার্স, ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসনগী ওফিসিএলশিং অমসুং আই.ও.সি.এলগী ওফিসিএলশিংনা পুন্না চৎখিবা দ্রাইব

অদুদা শরুক য়াখিবা কেপ এন্দ পি.দিগী ও.এস.দি. হাওবম বোবিনা হায়-রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম খরদা অসিগুম্বা আইনগী ওইনা অয়াবা য়াওদবা লন্নাই ওইল পম্প খরা হাংদোক্লে হায়বগী পাউ ফংবদগী অখন্নবা দ্রাইব চথুবদা থেংনদুনা ওইল পম্প অসি থিংজিনখিবনি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা এস.পি. অমসুং ও.সিগী থাক্তা লৈবা ওফিসিএলশিং অমদি খুলগী লুচিংবশিংগা ৱারী শান্নদুনা মনিপুরদা কাংলুপ মশেলগী মরক্তা নুংশি চান্নবগী ৱাখল্লোন হেন্না লৈহন্নবা থবকশিং লেপ্তুনা পায়খৎলি।

অসাম রাইফলসকী চেরোল অমনা হায়-থৌবাল পুলিস ষ্টেসনগী ও.সি. হৈয়েলগী ৱার্ড মেম্বর, শিংজমৈ এরিয়াগী নহারোল লুচিংবশিং, দুকান ফম্বশিং অমদি খুলগী লুচিংবা কয়াগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

**অনুরাগ (এল)ঃ** রাজ্যগী প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জারভেটর ওফ ফোরেষ্টসু ওইরিবা এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (টেক্সতাইল, কর্ম্মস এন্দ ইন্দষ্ট্রি এন্দ ত্রান্সপোর্ট) অনুরাগ ভাজপায়না হায়রি-স্কিল দিবলপমেন্ট লৈবা, খুৎ-শা হৈবা নহারোলশিংগী মশিং হেনগৎহল্লবা মতমদা থবক ফংদবগী সমস্যা হন্থহনবা ঙম্লগনি।

ইম্ফালগী তাকয়েলদা লৈবা গভরমেন্ট আই.টি.আইদা ঙসি ষ্টেট লেবেল ইন্দিয়া স্কিলস কম্পিটিসন মনিপুর-২০২৫ হাংদোকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখিবা শ্রী ভাজপায়না হায়-ভারত অসি মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংগা য়েংনবদা নহারোলগী মশিং খ্বাইদগী য়ামা লৈবা লৈবাক অমনি। চাউখৎ থৌরাংগী থবক্তা য়াংলেন শরূ ওইনা মরুওইবা থৌদাং লৌগদৌরিবা নহারোলশিংগী মশিং য়ামা লৈবা অসি লৈবাক অসিগী ওইনা লাইবক ফবা অমনি।

মনিপুরদসু স্কিল দিবলপমেন্ট মন্ত্রালয়গী মখাদা কুমজা ২০১৪ দগী হৌদুনা নহারোলশিংদা তোঙান তোঙানবা লম কয়াদা স্কিল দিবলপমেন্টকী ত্রেন্নিংশিং পীবদগী ঐখোয়গী নহারোলশিংনা শেন্থোক লৈনা হিংবা ঙম্বতা নত্তনা খুন্নাইগী চাউখৎ লমজেলদা শরুক য়াবা ঙল্লে। অসিগুম্বা ফিভম অসি মখা তানা নীংথিনা চথুরবদি লৈবাক অসিবু চাউখৎপগী লমজেলদা মাংজিল থাবা ঙল্লক্কনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবী, স্কিল, লেবর, ইমপ্লোইমেন্ট এন্দ ওন টপ্রেন্যুয়রসিপকী সেক্রেটরি-এন. বন্দানানা হায়-রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা আই.টি.আইশিং হাংদোক্কুনা নহারোলশিংদা লম কয়াদা স্কিল দিবলপমেন্ট পীরি। আই.টি.আইশিং অসিনা রাজ্য অসিগী নহারোলশিংদা স্কিল দিবলপমেন্ট পীবদা চাউনা মতেং পাংলি।

**ডে (এল)ঃ** মাইনোরিতি রাইটস ডেনা লাকপদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়-মীপুম খুদিংমক্কী খোঞ্জেল তারবা অমসুং কাংলপু খুদিংমকপু ঙাকপী শেনবীদুনা থল্লবা মতমদা গনতন্ত্রগী মগুন খ্বাইদগী ৱাংগদৌরিবনি।

ৱারোল অমদা শ্রী বিরেননা হায়-ভারতকী অপুনবা শক্তম অসি লৈবাক অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা কাংলুপশিংগী সংবিধাননা পীরিবা ঙাক্লৌশিং অদুগা লোয়নননা শেমগৎলকপনি।

খুন্নাইদা শোত্থনা লৈরিবা কাংবুশিংগী হক ইকায় খুমবগা লোয়নননা কাংলুপ মশেলগী মরক্তা নুংশি চান্নবগী মরী হেন্নো চেৎশিলহল্লসি। মসিগী মথক্তা লৈবাক অসিগী নাগরিক খুদিংমক মশাগী ইকায় খুমবা ঙাকা মতিং লৈনা হিংবা ঙমহল্লসি।

মাইনোরিতি রাইটস ডেগী থৌরম ঙসি মাইনোরিটিজ ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন (এম.এস.এ) মনিপুরনা শিনদুনা ইম্ফালগী মেজোর খুলদা লৈবা মনিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী প্রোফেসার-চিংলেন

মাইস্নামনা হায়-মনিপুরদা লৈরিবা মীতৈ-পাংঙলশিংগী শিক্ষাগা মরী লৈনবা ষ্টেটিসটিক্স অমা পুথোকবা হোৎনসি। মসিনা মখোয়গা মরী লৈননা থেংনরিবা সমস্যাশিং অসি কোকহনবদা চাউনা মতেং ওইগনি।

মহাকা হায়-পালন থৌরম অসি খক্তা পাঙথোকপগী মহুৎ মাইনোরিতিশিংগীদমক চাউখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিং মীপুম খুদিংমকা শরুক য়াদুনা পায়খৎমীন্নসি। মনিপুরদা লৈরিবা মীতৈ-পাংঙলশিং অসি মশিং য়ামদবগী মথক্তা মখোয়গী শেল থুমগী ফিভম থোইনা ফবা ওইদ্রি। মহৈ মশিং তমগদবা নহা কয়া অমা শেল তানবগী লম্বীদা ঙন্না খোঙ থাংজিনখিবদগী ফুরুপ অসিদা মহৈ মশিং নীংথিনা হৈবা মীগী মশিং য়ামদ্রি।

**শৈরেং (এল)ঃ** মহিলা কব্যা মঞ্চ, মনিপুর অমসুং ক্ষেত্রিময়ুম য়াইমা মেমোরিএল ত্রষ্ট ইম্ফালনা পুন্না শিনদুনা ২১ শুবা কবি সমেলন অমা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী মোইরাং পুরেল লৈকাইদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মনিপুরি লেঙ্গৗইজ এদভাইজরি বোর্ড, সাহিত্য একাডমী ন্যু দিল্লিগী হান্নগী কনভেন্নর-নোংমাইথেম কিরনকুমার অমসুং মহিলা কব্যা মঞ্চ মনিপুরগী প্রসিদেন্ট-ডা: কে.এস.ঐচ. সুবদনি য়াওনা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**অরোগ্যা (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা তেলৌ-চানাদা লৈবা আয়ুসমান অরোগ্যা মন্দিরগী লৈফম থোকপা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং লৈহনবীনবা অমসুং নর্স য়াওনা দরকার লৈবা ষ্টাফশিং থন্বীনবা পি.সি.সিগী মেম্বর-এ. দেবেননা হায়রি।

লমলাই কেন্দ্র কংগ্রেস কমিতিনা শিনদুনা ঙসি অরোগ্যা মন্দির অসিগী ফিভম য়েংশিনবা চৎপদা শ্রী দেবেননা হায়-লমদম অসিগী মীয়ামগী অনা লায়েংগী লমদা অচৌবা থৌদাং লৌগদৌরিবা অরোগ্যা মন্দির অসিগী অৱাৎপা

দরকার লৈবশিং অথুবা মতমদা মেনশিনবীয়ু।

**ককচিং (এল)ঃ** ককচিং দিষ্ট্রিক্ট ভি.দি.এফ. ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসনগী মীফম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ভি.দি.এফকী রাজ্য থাক্কী কমিতিনা লৌরকপা ৱারেপশিংদা জিলা অসিগী ভি.দি.এফশিংনসু শৌগৎপা হায়না ৱারেপ লৌখি হায়রি।

**সিআরপিএফঃ** সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ৮৬ শুবা বটালিয়ান সি.আর.পি.এফনা নোনে জিলাগী খুমজি পার্ট ফাইবকী খুঞ্জাশিংদা সোল্লর ষ্ট্রিত লাইটিং সিষ্টেম সেট তরুক য়েন্থোকখ্রে।

**স্কুল (এল)ঃ** মহৈ লোইশঙশিংদা চহি লোইবগী পরিক্ষা পাঙথোকপা য়ামা মরুওইবা মতম অসিদা স্কুলশিংবু নমদুনা ছুতি লাউথোকহনবগী থৌওং চথবীনবা ওল মনিপুর রিকোগনাইজ প্রাইবেট স্কুলস ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসননা আপিল তৌরি।

এসোসিয়েসন অসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-এসোসিয়েসন অসিনা ইরমদমগীদমক কৎথোকপগা লোয়ননা থবক তৌরিবা ইচিল ইনাওশিংবু অৱাংবা থাক্তা ইকায় খুমজৈ। অদুমওইনমক, তুংদা প্রাইবেট স্কুলশিংগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং লাক্লবদি এসোসিয়েসনদা হান্না পাউ পীবিনবসু হায়রি।

**কন্দোল (এল)ঃ** শকাইরবা ইকোনোমিষ্ট প্রোফেসার-মৈস্নাম ইবোতোন সিংহনা লৈখিদবদা মনিপুর য়ুনিভরসিতি টিচরস এসোসিয়েসন (মুতা) না অৱাবা ফোংদোরক্লি। মহাক ঙরাং লৈখিদবনি। মশাগী চহি ৮৭ শুখ্রে।

প্রোফেসার-ইবোতোন মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী অহানবা দিন ওফ ষ্টুদেন্টস ৱেলফিয়ার, দিন ওফ সোসিএল সাইন্সেস ওইরম্মী অমসুং এম.য়ুগী সিনদিকেট

অমদি সিনেটকী মেম্বরসু ওইরম্মী।

প্রোফেসার-মৈস্নাম ইবোতোননা লৈখিদবদা খোঙনাংথাবা য়ুনিভরসিতিগী ওজাশিং, মহৈরোইশিং অমদি ষ্টাফশিংনা ঙসি অৱাবা ফোংদোকপগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-ভারত অমসুং ওমানগী লল্লোন ইতিল্কী মীফমনা লৈবাক অনিগী লৈনরিবা মরীদা অনৌবা মায়ওন অমা পীরগনি অমসুং খোঙজেল য়াংশিলহল্লগনি। প্রধান মন্ত্রিনা ঙসি মস্কাটতা লল্লোন ইতিল্কী মীফম অসিদা ৱা ঙাংখি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-লাক্কদৌরিবা মতমদা ভারত অমসুং ওমানগী মরী মখা তানা অসুম অসুম চেৎশিল্লকখিগনি। লৈবাক অনিগী মরক্তা চহি ৭০ চুপা কুটনিতিগী মরী থল্লকপা অদু পল্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অনিনা পুন্না থবক তৌমীন্নরিবা অসি থাজনবা অমসুং মরুপ-মপাং ওইবদা য়ুম্ফম ওইরগা শেমগৎখিবনি।

পধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা সুলটান ওফ ওমান সুলটান হাইথাম বিন তারিককা মহাক্কী কোনুংদা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না চেৎশিলহন্নবা ৱারীসু শান্নখি।

মদুগী তুংদা, প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী ইথিওপিয়া, জোরদান অমসুং ওমান লৈবাক অহুমগী খোঙচৎ লোইরদুনা হৌজিক ভারত পাংলকখ্রে।

**পোলো (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মখাদা ওল মণিপুর পোলো এসোসিয়েসনগা খুৎশমদুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চথরকপা অনিশুবা দি.জি.এ.আর মেন্স এন্দ ৱিমেন পোলো টুর্নামেন্ট-২০২৫ ঙসি লোয়শিনখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী চেম্পিয়ন এক্স-পোলো ক্লব অমদি নুপীগী

চেম্পিয়ননা অসাম রাইফলস পোলো ক্লবনা তাখ্রে।

এক্স-পোলো ক্লব ৱাংখৈনা ব্লেক ৱাটস পোলো ক্লব-বাবুপরাবু পাঞ্জল ৫-৪ দা মায়থিবা পীখি।

ঙরাং শান্নখিবা নুপীগী ফাইনেলদনা অসাম রাইফলস পোলো ক্লবনা চিংখৈহুনবা পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৭-৬ তা মায়থিবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালা অমসুং দাইরেক্তর জেনরেল ওফ অসাম রাইফলসনা ঙসি মকোক মথং তাখ্রবা টিমশিংদা মনা মথম্ য়েন্থোকখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা নুপাগী টিম ৩৩ অমদি নুপীগী টিম ৫ না পুন্না টিম ৩৮ না শরুক য়াদুনা মেটচ ৪৪ শান্নখি।

**ক্রিকেটঃ** মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিনদুনা লংথাবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা ২২ শুবা মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা আর.এন.ই.এফ. মিকা ময়াং ইম্ফালনা বি.এস.সি. বি. ব্রহ্মপুরদা রন-১১৯ দা থোইখ্রে।

**কুন্দোঃ** ন্যু দিল্লিগী গরৱাল ভবনদা পাঙথোকখিবা ১১ শুবা নেসনেল জিট কুন্দো চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ দা মনিপুরনা ওভর ওল রন্নরস অপ পোজিসন লৌরকে হায়রি।

চেম্পিয়নসিপ অসিদা মনিপুরগী শান্নরোইশিংনা সনাগী তকমান ২৮, লুপাগী তকমান ৪ ফংদুনা পুন্না তকমান ৩২ লৌবা ঙম্লক্লে।

**ক্রিকেটঃ** ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি থৌবাল জিলাগী মোইজিং পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা- কে.সি.বি.ও. কোংপালনা এস.দি.সি লাইফম খুনৌবু ৱিকেট তরেৎতা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা এস.এস.য়ু. শিংজমৈ ককৱানা কে.আই.ৱাই.সি. ক্ষেত্রিগাউবু রন-১১৩ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেটঃ** মনিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিনদুনা চত্থগদবা মঙাশুবা এম.এন.সি.এ. সুপর প্লেট ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী ফিকচর থোক্লে।

থা অসিগী ২১ দগী হৌদুনা মথং চহিগী জানুৱারী ১৮ ফাওবা চত্থগদবা ত্রোফি অসিগী অহৌবা নুমিৎতা টিম মরিনা মেটচ অনি শান্নগনি।